# ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টঃ টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন (এম ভি সী এ)না শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩ লক শুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেম্মা মেমোরিএল টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ৱাই এ সী য়াইস্কুল অমসুং টি সী এম দি সী থোংজুগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই এ সীনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। ৱাই এ সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১৯.৫দা ওল আউট ওইরগা রন ৯৭ লৌবা ঙমখি।

টি সী এম দি সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১৬.৫দা ৱিকেট ৩ খক তুরগা টার্গেট রন ৯৮ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু টি সী এম দি সীনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন বিজেসনা বোল ৫২ মায়োক্নবদা রন ৪৫ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমদি বি এস সী (এ) ব্রহ্মপুরগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই দব্লিয়ু সীনা ঙমদনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱাই দব্লিয়ু সীগী ৱিকেট ৫ তুরগা পুন্না রন ১২২ লৌবা ঙমখি। বি এস সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০০দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সীনা রন ২২দা মায় পাকখি।







# টকৱা ট্রোফিঃ ৱাঙ্গোই ফুটবোল ক্লব অমসুং পোইরৌখোংজিন ফুটবোল ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস): তেন্থা খোঙবাল ৱেলফেয়র এসোসিএশন (টকৱা)না শীন্দুনা তেন্থাদা লৈবা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথরিবা টকৱা ফুটবোল ফেষ্টিবেল ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ৱাঙ্গোই ফুটবোল ক্লব অমসুং পোইরৌখোংজিন ফুটবোল ক্লব মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচতা ৱাঙ্গোই এফ সী অমসুং এম ৱাই দি এগী মরক্তা নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবদগী হৌরগা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এম ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা ৱাঙ্গোই এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৩১ শুবা মিনটতা এম ৱাই দি এনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩৮ শুবা মিনটতা ৱাঙ্গোই এফ সীগী জিতেশ্বরনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৪৮ অমসুং ৫০ শুবা মিনটতা ৱাঙ্গোই এফ সীগী প্রিতম অমদি সোভানা মখা তানা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। অদুবু এম ৱাই দি এগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী ৱাঙ্গোই এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেটচতা পোইরৌখোংজিন এফ সী অমসুং সনা এফ সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙম্লবসু পোইরৌখোংজিন এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং মশিং হেন্না চথুদুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পোইরৌখোংজিন এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি। পোইরৌখোংজিন এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু দাইমন্দ অমসুং কোরৌনা চনখিবনি।



# হোক্কি ৱিমেন্স নেসন্স কপঃ ইন্দিয়ানা চিলি থোইরগা ফাইনেল চঙখ্রে



ওকলেন, জুন ২০ (এজেন্সী): ন্যুজিলেন্দনা য়ুম্ফু ওইরগা ওকলেনদা হৌজিক চথরিবা এফ আই ঐচ হোক্কি ৱিমেন্স নেসন্স কপ ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা চিলিবু লাকচনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে। ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নগদৌরিবা য়ু এস এ অমদি য়ুম্ফু ন্যুজিলেন্দ টিম অনীগী মরক্তা মায় পাকপা টিমগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়া অমসুং চিলিগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ইন্দিয়াগী হেশিংলবী নুপী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা ক্বার্টরগী পাঞ্জলশিং অদু নবনিট কৌরনা অনী অদুগা দিপিকানা অমা চনখিবনি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ১৮ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী দিপিকানা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি অদুবু চিলিগী ওইনা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা লাকচনা পাঞ্জল ৬-০দা মায় পাকখি।

# তমু মেমোরিএলঃ পি এফ এ ৱাঙ্গোই, দিঙ্কু এফ সী অমসুং কে আই ৱাই সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা য়ুম্নাম খুনৌ প্লেগ্রাউন্দদা হৌজিক চথরিবা ষ্টেট লেভেল ৯-এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা পি এফ এ ৱাঙ্গোই, দিঙ্কু এফ সী খাবৈসোই অমসুং কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাও মায় পাকখ্রে।

অরাম্বম লুৱাংখোম্বা অমদি অনিলনা লৈখিদ্রবা অরাম্বম ওংবী তমু লৈমগী মীংদা স্পোন্সর তৌরগা ঐখোয়গী ঊমং য়ুম্নাম খুনৌনা শীল্লগা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী ৭৭ শুবা মেটচতা কাফা কোন্থা অহল্লুপ অমসুং পি এফ এ ৱাঙ্গোইগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা পি এফ এনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী ৭৮ শুবা মেটচতা দিঙ্কু এফ সী খাবৈসোই অমসুং রোসন এফ এ য়ৌরবুংগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা দিঙ্কু এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৭-০দা মায় পাকখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দগী ৭৯ শুবা মেটচতা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাও অমসুং বুং এফ সী খুন্দ্রাকপমগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি। টিম অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কে আই ৱাই সীনা পাঞ্জল ৩-০দা বুং এফ সীবু মায়থীবা পীরমখি।

# ইবোয়াইমা মেমোরিএল হোক্কি টুর্নামেন্ট

**ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):** মণিপুর হোক্কিগী মীৎয়েং মখাদা সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গনাইজেসন শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়না শীন্দুনা মথং থাগী ৫দগী সেয়ো এষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ২ রক শুবা ষ্টেট লেভেল (লেট) থোঙাম ইবোয়াইমা মেমোরিএল হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২৬ পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসি কাঙলুপ ৪ হায়বদি চহী ১৪ মখাগী নুপামচা, চহী ১৬ মখাগী নুপীমচা, চহী ৪০ মথক্কী মাষ্টর্স মেন্স অমদি চহী ৩৫ মথক্কী মাষ্টর ৱিমেননি হায়রি।

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL

### "LEGAL WIFE CERTIFICATE"

**Ref :-** R.R. No. 76/SDC/IW(S)/MI of 2026 Date 09/05-2026

**Shapam Sanayaima Devi**
W/o (L) Sh. Athoi Singh of Chabung Company Makha Leikai
P.O & P.S Mayang Imphal 795132 Imphal West District, Manipur
#: 9862460506

**ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / NOTICE**

Mayang Imphal, the 09/06/2026

অসিনা মরম ওইদুনা মরি লৈনবা মীওইশংদা খঙহল্লি মদুদি, Smt. Sh. Sanayaima Devi W/o (L) Sh. Athoi Singh of Mayang Imphal P.O & P.S. Mayang Imphal, 795132 Imphal West District, Manipur, হায়রিবা মীওই অসিনা মহাক্কী "Legal Wife Certificate" পীবিয়ু হায়দুনা SDO, Office Wangoi দা এপ্লিকেসন অমা থারক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বা মরি লৈনবা মহাক্কী মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌবিনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নত্রগা ইশা লাকপিদুনা SDC Office Mayang Imphal দা ওবজেক্সন তৌবিরকপা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, case মখা চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/1704/21

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL

**Ref :- Mutation Case No. 116/SDC/I.W.(S) of 2026**

(1) Sapam Hemchandra Singh S/o (L) Sapam Tomchou Singh of Mayang Imphal Konchak Mamang Leikai area of 0.1175 acres
(2) Sapam Nabakumar Singh S/o (L) Sapam Tomchou Singh of Mayang Imphal Konchak Mamang Leikai area of 0.1175 acres
(3) Sapam Nimai Singh S/o (L) Sapam Maimu Singh of Mayang Imphal Konchak Mamang Leikai. Area of 0.05875 acres
(4) Sapam Ibomcha Singh S/o (L) Sapam Maimu Singh of Mayang Imphal Konchak Mamang Leikai. Area of 0.05875
(5) Sapam Shyamkesho Singh S/o (L) Sapam Maimu Singh of Mayang Imphal Konchak Mamang Leikai. Area of 0.05875
(6) Sapam Saratchandra Singh S/o (L) Sapam Maimu Singh of Mayang Imphal Konchak Mamang Leikai. Area of 0.05875 acres

-Vs-

(Late) 1. Sapam Kanhai Singh S/o (L) S. Chaoyaima Singh of Konchak
(Late) 2. Sapam Tomchou Singh S/o (L) S. Chaoyaima Singh of -do-
(Late) 3. Sapam Maimu Singh S/o (L) S. Chaoyaima Singh of -do-

**ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / NOTICE**

Mayang Imphal, the 18/06/2026

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 911 (N) Dag No. 5181 গী area 0.47001 একর চাওবা ইঙ্খোল ক্লাস village no. 76-Mayang Imphal অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া 0.47001একর অসি পিটিস্নর ঐখোয়গী মিংদা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা এপ্লিকেসন থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা অইবা চেদা কমপ্লেন্ট ওইনা য়েৎপীরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/1706/21

# পি আর ৱাই এ ফুটবোলঃ ৱাই এম সীনা টি ৱাই এস ও থোইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস): য়ুমশারোল পাঙ্গেনা স্পোন্সর তৌরগা ইম্ফাল ইষ্ট অপুনবা ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপম গ্রাউন্দদা চথরিবা পি আর ৱাই এ ফাউন্দর্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই এম সী হরাওরৌনা টি ৱাই এস ও তুমুখোং মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস এস সী পোরোম্পাৎ অমসুং নিভসো কৈবী দ্রো চৎখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী ২৪ শুবা মেটচ ওইনা টি ৱাই এস ও অমসুং ৱাই এম সীগী মরক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ৱাই এম সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। নাকল অনীনা অকনবা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই এম সীনা পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা হাফকী পাঞ্জল মরি অদু বোনিসননা অনী অদুগা ভাস্কোনা অনী চনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা ৱাই এম সীনা মখা তানা বোল হেন্না পায়দুনা অদুম্মক শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই এম সীনা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি অদুগা টি ৱাই এস ওগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ৱাই এম সীনা পাঞ্জল ৮-০দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, এস এস সী অমসুং নিভসোগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL

**Ref :- Mutation Case No. 123/SDC/I.W.(S) of 2026**

(1) Thoudam Basan Singh S/o (L) Th. Pishak Singh of Chabung Company Makha Leikai 0.195 acres
(2) Thoudam Boby Singh S/o (L) Th. Pishak Singh of Chabung Company Makha Leikai area of 0.05 acres
(3) Thoudam Jiban Singh S/o (L) Th. Pishak Singh of Chabung Company Makha Leikai 0.05 acres

-Vs-

(Late) Thoudam Pishak Singh S/o (L) Th. Tomba Singh of Chabung Company. Area of 0.295 Acres.

**ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / NOTICE**

Mayang Imphal, the 20/06/2026

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 177 (N) Dag No. 1251 গী area 0.295 out of .59 একর চাওবা ইঙ্খোল ক্লাস village no. 78-Chabung Company অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া 0.295 একর অসি পিটিস্নর ঐখোয়গী মিংদা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা এপ্লিকেসন থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা অইবা চেদা কমপ্লেন্ট ওইনা য়েৎপীরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/1705/21

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL

**Ref :- Mutation Case No. 114/SDC/I.W.(S) of 2026**

(1) Wangkhem Sonia Devi D/o (L) Dewan Singh of Keishamthong Moirangningthou Leirak (0.626 acre)
(2) Thoudam Sangeeta Devi D/o (L) W. Dewan Singh of Keishamthong Moirangningthou Leirak (0.626 acre)
(3) Wangkhem Dhanapyari Devi D/o (Late) Wangkhem Dewan Singh of Keishamthong Moirangningthou Leirak (0.626 acre)

-Vs-

Late Wangkhem Sanatombi Devi W/o (Late) Wangkhem Dewan Singh of Keishamthong Moirangningthou Leikai (1.88 acre)

**ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / NOTICE**

Mayang Imphal, the 20/06/2026

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 1076/158 (N) Dag No. 3002/3118 গী area 1.88 acre out of 2.50 একর চাওবা Taothabi ক্লাস village no. 116-Shamushang অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া 1.88 একর অসি পিটিস্নর ঐখোয়গী/ঐহাক্কী মিংদা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা এপ্লিকেসন থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা অইবা চেদা কমপ্লেন্ট ওইনা য়েৎপীরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (South), Mayang Imphal


HL-P/1706/21



Title : Anime Boy
By : Dhanaraj Nongthombam
Class : V Roll No. : 38 Sec. : E
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : ?
By : Korounganba Meetei
Class : III Roll No. : 16 Sec. B
School : Ajad English School



Title : Tree House
By : Langlen Shagolsem
Class : II Roll No. : 4 Sec :
School : Uchiwa High School



Title : Naruto
By : Ningombam Poireiton
Class : V Roll No. : 14 Sec. :E
School : ?



Title : Gojo Satoro
By : Nongpoknganba Aheibam
Class : V Roll No. : 46 Sec. : B
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Save our Nature Future to live
By : Tamphasana Yumnam
Class : V Roll No. : 11 Sec. :
School : H.K.N Memorial English School



Title : Night Sky
By : Thoibisana Soibam
Class : V Roll No. : 5 Sec. B
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Forest
By : Sinthoiba Thoidingjam
Class : I Roll No. : 8 Sec : Ananda
School : Ramakrishna Mission School



Title : Carrot
By : Leishilembi
Class : UKG Roll No. : Sec. :
School : S.V Get Well School



Title : A Tree
By : Phamdom Debiya Chanu
Class : IV Roll No. : 20 Sec. :
School : Praja Higher Secondary School



Title : Landscape
By : Th. Thaja
Class : III Roll No. : 20 Sec : Orchid
School : SL Arena of Learning



Title : Vegetable
By : Hellory
Class : I Roll No. : 3 Sec :
School : Brilliant Academy



Title : Scenery
By : Agansana Akoijam
Class : III Roll No. : 2 Sec :
School : Brilliant Academy



Title : Kuromi & ORS
By : Osiana Mutum
Class : I Roll No. : Sec :
School : Unacco Meitram



Title : Scenery
By : Afrin SM
Class : III Roll No. : 1 Sec :
School : Brilliant Academy

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।